## খোঙজং চংশিনখ্রে

ৱাংজিং, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং এন এস সী এন (আই এম) অনিগী মরক্তা শান্তিগী ৱারি শান্নরিবগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়দুনা ৱাংজিং কৈথেলগী মশিং য়াম্লবা কৈথেল ফম্বী নুপীশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা তোঙান-তোঙানবা খোল্লাও কয়াগা লোয়ননা রেল্লি চংখ্রে।

কো ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) গী মীৎয়েং মখাদা ৱাংজিং লমদিং কৈথেল পোৎফম ফম্বী ইমাশিং অমদি থৌবাল ইমানা চংশিনখিবা খোঙজং অদুগী শরুক অমা ওইনা ৱাংজিং লমদিং কৈথেল ফম্বী নুপীশিংনা কৈথেলগী এরিয়াশিং অমদি এন ঐচ - ১০২দসু লম্বী তঞ্চাই থিংদুনা ৱাংজিং পুলিস আউটপোষ্ট মপা ফাওবা তোঙান-তোঙানবা খোল্লাওগা লোয়ননা রেল্লি চংখি।

থৌবাল ইমাগী সেক্রেটরি ইমা সনাতোম্বীনা ফোঙদোরকপদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্না অমদি এন এস সী এন (আই এম) অনিগী মরক্তা সাইন তৌনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট য়াবা ঙম্লোই। হৌজিক চথরিবা শান্তিগী ৱারি অসিনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম শোক্লকপা য়ারোই হায়রদুনা কোকোমিনা চংশিল্লকপা খোঙজংশিংদসু মখা তানা শৌগৎকনি হায়খি।

## নোংমৈ কাপশিল্লম্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫: খুরাই থাংজম লৈকায়দা মৈরা পায়বী, ৱিমেন মল্টি দিভলপমেন্ট এসোসিএসনদা থা অসিগী ২২ গী নুমীদাংদা নোংমৈ রাউন্দ অমা কাপশিল্লম্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, জেনিমস রোদ নাকলদা লৈবা দুকান অমগী মীওই অমদা মৈরা পায়বীশিংনা দুকান থোং লোনশিন্নবগী হায়রুবদা উংখৎনখি। ঙাইহাক লৈরগা দুকান মমাঙদা লৈরম্বা কষ্টমর খরা মোটোর বাইক থৌখি। থৌখ্রিবা মোটোর বাইক অনী লাক্লগা নোংমৈ কাপশিল্লম্বনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎ...

*লামায় ১গী মখা...* মীফমদা ঙসি পুথোকখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনসু মেমোরেন্দম অদু প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরদা পীশিনবদা অয়াবা পীখিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎ কাঙবু দিল্লিদা চৎত্রিঙৈগী মাংওইননা বি জে পিগী মশক নাইবা মীওই মঙানা শাবা টিম অমা দিল্লিদা ঙসি পাইশিনখ্রে। ড্রাফ্টিং কম্মিটিনা শেম শাবা লোইশিন্দুনা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা পীশিন্ননবা থৌরাং তৌরিবা মেমোরেন্দম অসিদা মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি কায়বা য়ারোই, পোলিটিকেল ইন্টিগ্রিটি কায়বা য়ারোই হায়বা য়াওনা ৱাফম কয়া য়াওরি।

## GAS NEWS

**HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE**
Booking Upto: 10/10/2019
Valid From: 09/10/2019
***Stk : 612***

**K & K INDANE SERVICE**
Booking Upto: 05/10/2019
Valid From: 03/10/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 11.00 am
(First Come First Serve)

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking Upto: 23/09/2019
Valid From: 17/09/2019
***Stk : 612***
Timing: 07.30 am to 10.30 am
(First Come First Serve)

**M.M. GAS SERVICE**
Booking Upto: 05/10/2019
***Stk : 612 (DBTL Only)***
Timing: 07.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**Sl. No. : 4001 - 4460**
Booking Upto: 04/10/2019
Valid From: 03/10/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 11.00 am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto: 08/10/2019
Valid From: 03/10/2019
***14.2 Kg Stk : 612***
***19 Kg Available***
Timing: 07.00 am to 11.00 am

**POROMPAT GAS, POROMPAT**
Booking Upto: 08/10/2019
Valid From: 25/09/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 10.30 am
(First Come First Serve)

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto: 08/10/2019
Valid From: 05/10/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

**TANGLEI GAS OINAM**
Booking Upto: 26/09/2019
Valid From: 25/09/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 10.00 am

# খা মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিভেলগী মনা ফংলগদবশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী ইম্ফালনা লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এল দি য়ু) গা খুৎশম্নদুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লাংমৈদোংদা লৈবা এল দি য়ুগী হোলদা চঙথরকখিবা ৪৩ শুবা খা মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিভেল ২০১৯ গী অথোই-অহেন তান্নবদা মনা ফংলগদবশিং ঙরাং লাউথোকখ্রে।

মণিপুরগী ঠিএটর গ্রুপ ১৪ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিভেল অদুদা লিবর্টি ঠিএটর, ককচিংগী দ্রামা *লামপি* না বেষ্ট প্রদক্সন, য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন, খাগেমপলি হুইদ্রোম লৈকায়গী দ্রামা *কনাগীদমক*না সেকেন্দ বেষ্ট প্রদক্সন, ককচিং লিভিং আর্টস (কংলা) উচিৱাগী দ্রামা *ঐ মমানি* না থর্দ বেষ্ট প্রদক্সন তাখ্রে।

বেষ্ট দিরেক্টরদা লিবর্টি ঠিএটর, ককচিংগী দ্রামা লামপিগী দিরেক্টর উত্তমকুমার নাওরেম, সেকেন্দ বেষ্ট দিরেক্টরনা কংলৈ লিভিং আর্টস (কংলা) উচিৱাগী দ্রামা ঐ মমানিগী দিরেক্টর থৌনাওজম প্রেমজিৎ অমসুং য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন,খাগেমপলি হুইদ্রোম লৈকায়গী দ্রামা কনাগীদমককী দিরেক্টর এল শ্যামকিশ্বর অনীনা, থর্দ বেষ্ট দিরেক্টরনা জুবেনাইল ঠিএটর, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়গী দ্রামা মং মচেৎ, ইতিহাস মচেৎকী দিরেক্টর ওকেন অমাকচমনা তাখ্রে। বেষ্ট স্ক্রিপ্ট রাইটরদনা লিবর্টি ঠিএটর, ককচিংগী দ্রামা লামপিগী অইবা বুধ চোংথামনা অদুগা সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রিপ্ট রাইটরনা য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন, খাগেমপলি হুইদ্রোম লৈকায়গী দ্রামা কনাগীদমককী অইবা মনি য়ুম্নামনা তাখ্রে।

বেষ্ট এক্টরনা য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন, খাগেমপলি হুইদ্রোম লৈকায়গী দ্রামা কনাগীদমক্তা মঙাল শাখিবা টি ঐচ নবচন্দ্রনা তাখি। সেকেন্দ বেষ্ট এক্টরনা লিবর্টি ঠিএটর, ককচিংগী দ্রামা লামপিগী শিন্তাকপুরেল শাখিবা নাওরেম মহেশকুমারনা তাখি। ইপোম চাওবা মেমোরিয়ল কলচরেল ইনষ্টিট্যুটকী দ্রামা মৈরিদা জয় শাখিবা ঐচ শন্দিপনা তাখ্রে।

বেষ্ট এক্ট্রেসতা লিবর্টি ঠিএটর, ককচিংগী দ্রামা লামপিগী শক্তম লাংখিবী সম্বালেম্বী মোইরাংথেমনা তাখি। য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন, খাগেমপলি হুইদ্রোম লৈকায়গী দ্রামা কনাগীদমক্তা লৈরেনতোম্বী অমসুং থাজমানবীগী শক্তম লাংখিবা আর কে রোমালা অমসুং জুবেনাইল ঠিএটর, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়গী দ্রামা মং মচেৎ, ইতিহাস মচেৎতা থম্বালনুগী মমাগী শক্তম লাংখিবী দল্লিয়ু অপানা অনীনা তাখি। থর্দ বেষ্ট এক্ট্রেসতনা কংলৈ লিভিং আর্টস (কংলা) উচিৱাগী দ্রামা ঐ মমানিদা অশাগী শক্তম লাংখিবী এম বেবিগ্রেসনা তাখি।

বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরদা য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন, খাগেমপলি হুইদ্রোম লৈকায়গী দ্রামা কনাগীদমক্তা নোংয়াই শাখিবা এল শ্যামকিশ্বরনা তাখি। সেকেন্দ বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরদা সলাই শক্তম লাংবা কাঙলুপকী দ্রামা নাচোম লৈদা লোয়ুম্বা শাখিবা মুতুম বিরেননা তাখি। বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসতা কংলৈ লিভিং আর্টস (কংলা) উচিৱাগী দ্রামা ঐ মমানিগী লাতা শাখিবী এম লিন্দানা অদুগা সেকেন্দ বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসতা রোয়ল ঠিএট্রিকেল ক্লবকী দ্রামা থৱায় লাকপীদা লনচেনবী শাখিবী রোশিবালানা তাখ্রে। বেষ্ট কোমেদিয়ননা পাখংবা ঠিএটর, ঙাইরাংবমগী দ্রামা আইস ক্রিমদা বরপ শাখিবা টি ঐচ লেম্বনা অদুগা সেকেন্দ বেষ্ট কোমেদিয়ননা ময়াই লম্বী দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী দ্রামা খোঙ্গুল লীবাদা রিশিকান্তা শাখিবা অল্লি অমসুং ইক্লিপস ঠিএটরগী দ্রামা ফংহৌদ্রবা এক্স গ্রেসিয়াগী কুমার শাখিবা লাইপুবম সদানন্দ অনীনা তাখ্রে।

বেষ্ট চাইল্দ আর্টিষ্টনা বাশিখোং দ্রামাটিক এসোসিএসনগী দ্রামা ঐনা তুমদ্রিঙৈগী লোইজিং শাখিবী এম মতৌলৈবীনা, সেকেন্দ বেষ্ট চাইল্দ আর্টিষ্টনা য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন, খাগেমপলি হুইদ্রোম লৈকায়গী দ্রামা কনাগীদমক্তা থাজমানবী শাখিবী হেনবিসনানা তাখ্রে। বেষ্ট দিসিপ্লিননা কংলৈ লিভিং আর্টস (কংলা) উচিৱাগী দ্রামা ঐ মমানিনা তাখ্রে। সেকেন্দ বেষ্ট দিসিপ্লিননা য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়নগী দ্রামা কনাগীদমকনা তাখ্রে। বেষ্ট ষ্টেজ মেনেজমেন্টতা লিবর্টি ঠিএটর, ককচিংগী দ্রামা লামপিগী রোবিচন্দ্র, বোরিশ অমসুং সাজিৎনা, সেকেন্দ বেষ্ট ষ্টেজ মেনেজমেন্টনা ময়াই লম্বী দ্রামাটিক য়ুনিয়ন, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী দ্রামা খোঙ্গুল লীবাগী হেনবা অমসুং দোরেন খাঙানবনা তাখ্রে। বেষ্ট লাইটনা লিবর্টি ঠিএটর, ককচিংগী দ্রামা লামপিগী ইমোতোম্বানা অদুগা সেকেন্দ বেষ্ট লাইটনা বাশিখোং দ্রামাটিক এসোসিএসনগী দ্রামা ঐনা তুমদ্রিঙৈগী এন দিজেননা তাখ্রে।

বেষ্ট ম্যুজিক্তা লিবর্টি ঠিএটর, ককচিংগী দ্রামা লামপিগী কে এস ঐচ শান্তা, এম ধনচন্দ্র অমসুং এস ঐচ কান্তনা তাখ্রে। সেকেন্দ বেষ্ট ম্যুজিকনা ককচিং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী দ্রামা নিকুঞ্জবোন্দ রাধা কৃষ্ণগী অঙাংয়াইমা, বিনোদকুমার রোবর্ট অমসুং বিজয়ানা তাখ্রে।

বেষ্ট কষ্ট্যুমদনা লিবর্টি ঠিএটর, ককচিংগী দ্রামা লামপিগী এল রেনুবালা অমসুং ককচিং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী দ্রামা নিকুঞ্জবোন্দ রাধা কৃষ্ণগী জি শান্তিনা তাখ্রে। সেকেন্দ বেষ্ট কষ্ট্যুমনা জুবেনাইল ঠিএটর, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়গী দ্রামা মং মচেৎ, ইতিহাস মচেৎকী নির্মলা চনুনা তাখ্রে। বেষ্ট মেক-অপনা ককচিং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী দ্রামা নিকুঞ্জবোন্দ রাধা কৃষ্ণগী নিরঞ্জয়না অদুগা সেকেন্দ বেষ্ট মেক-অপনা লিবর্টি ঠিএটর, ককচিংগী দ্রামা লামপিগী সুরজ কুমারনা তাখ্রে।

# মোটোর এক্সিদেন্ট ক্লেমস ট্রাইব্যুনেলনা মীওই অমগী মথক্তা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইস্যু তৌনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচ এন এস): লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা মোটোর এক্সিদেন্ট ক্লেমস ট্রাইব্যুনেল, মণিপুরদা ফাইল তৌরকপা কেস নম্বর ৪৬ ওফ ২০১৭ গী মতুংইন্না মোটোর এক্সিদেন্ট অমদা চেন্নরিবা মীওই অমগী মথক্তা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্টকী নোটিশ ইস্যু তৌনবা চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনদা খঙহনখ্রে।

ট্রাইব্যুনেল অসিগী ওর্দর অসি ঙসি মসিগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা এন রজনিকান্তনা পীখিবনি। ট্রাইব্যুনেল অসিগী ওর্দর মতুংইন্না ৱারেন্ট ওফ এরেষ্টকী নোটিশ ইস্যু তৌনবা খঙহনখিবা মীওই অদুগী মমিং গেগিন, অপোকপা লৈখিদ্রবা খুপজাঙম কৌই। চুড়াচান্দপুরদগীনি হায়রি। অদুগা মহাক্কী মথক্তা মোটোর এক্সিদেন্টকী ক্লেম তৌরক্লিবা এপ্লিকান্ট অদুগী মমিংনা খ্বাইরাকপম মংলেম্বী (৬৪) কৌই। পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অৱাং খুনৌ ময়াই লৈকায়দগী কে ঐচ মনিবাবুগী লোয়নবীনি।

মহাক্না ট্রাইব্যুনেল অসিদা ফাইল তৌরকখিবা কেসকী মতুংইন্না মসিগী জজমেন্ট দেবটর ওইরিবা গেগিনগী মায়কৈদগী লুপা ১১,২৫,১৮২ গী শেনফম পীননবা ট্রাইব্যুনেল অসিনা খঙহনখিবনি। লোয়ননা ঙসি ট্রাইব্যুনেল অসিদা জজমেন্ট দেবটর মশামক শোয়দনা লাক্লবসু খঙহনখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং ফাওবদা গেগিন হায়রিবা মীওই অসি লাকখিদবদগী ট্রাইব্যুনেল অসিনা চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনদা মহাক্কী মথক্তা বেলেবল ৱারেন্ট ওফ এরেষ্টকী নোটিশ ইস্যু তৌনবা খঙহনখিবনি। ঙসি ট্রাইব্যুনেল অসিনা পীখিবা ওর্দর অদুনা ফোঙদোকখিবদা, জজমেন্ট দেবটর অসিদা পীফম থোকপা সম্মন নোটিশশিং পীরবা ফাওবদা ট্রাইব্যুনেলগী য়াথং ইন্দবা তারবদি মোটোর ভেহিকলস এক্ট, ১৯৯৮ কী সেক্সন ১৭৯ গী মখাদা চৈরাক পীবা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি। সেক্সন অসিগী মতুংইন্না মীওই অদুথা ১ ফাদোক পীবা নৎত্রগা লুপা লিশিং ২ গী শেনফম ফাইন ওইনা থিহনবা নৎত্রগা চৈরাক অনীমক পীবা য়াই হায়নসু খঙহনখি।

# ৱারি মচাগী এন্থোলোজিগী লাইরিক ১ ফোঙখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): সিৱেভ মণিপুর থৌবাল বজারনা পুথোকপা ৱারি মচাগী এন্থোলোজিগী লাইরিক 'পীৱিটস' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙরাং থৌবাল অৱাং লৈকায়দা লৈবা মণিপুরগী শক্লাইরবা নুপী অইবী ৱাই ইন্দিরাগী য়ুমদা হৌনবী মতুং ইন্না ফোঙখ্রে।

লাইরিপ ফোঙবগী থৌরম অদুদা সহিত্যা একাদেমি এৱার্দি ডা. যোধচন্দ্র সনসমনা অথোইবা মীথুং সিৱেভস মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সলাম তোম্বানা থৌরম মপু অদুগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী থবক্তগী পোত্থারবা লাইব্রেরিয়ন ডা. থৌনাওজম খোমদোন অমসুং হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী কলমনিষ্ট সৌবাম তোম্বানা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এন বি কোঞ্জেংবমনা এদিটর ওইদুনা পুথোক্লিবা এন্থোলোজিগী লাইরিক অদুদা মণিপুরগী মশক নাইরবা-নাইরবী অইবা-অইবীশিংগী মণিপুরী ৱারি মচাগী ৱারি মচা ১৯ য়াওরি। লাইরিক অদুগী মতাংদা এন বি কোঞ্জেংবমনা মীয়ামদা ৱাফম কয়া থমখি। লাইরিক অদুনা সিৱেভস মণিপুরগী ৯শুবা লাইরিক্নি। মমাংদা শেরেংগী লাইরিক ৭ অমগা ৱারি মচাগী লাইরিক অমগসু ফোঙখ্রে হায়রি।

ঙসিগী লাইরিক অদু মোর্দন মণিপুরী লিটরেচরগী লময়ানবা লৈখিদ্রবা এল রাম (নেসনল এন্দ ষ্টেট টিচর এৱার্দি)দা দেদিকেট তৌবা লাইরিক্নি। লোয়ননা ঙসিগী মীথুংলেনশিং অমদি শরুক য়ারিবশিংনা লৈখিদ্রবা লৈতান্থেম রামগী ফোটোদা লৈ-সু কত্তুনা ইকাইখুম্নবসু উৎখি।

# ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): নুমিৎ নিনি চুপ্পা চত্থগদবা সী এস সী (কম্মন সর্ভিস সেন্টর)শিংগী ভিলেজ লেভেলদা পাঙথোকপা ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (ই দি পি) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ঙসি ঐচ বোবি শর্মা এম সী এস, সী ই ও/জেদ পি বিষ্ণুপুরনা পঞ্চায়ট রিছোর্স সেন্টর হোল মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্টেসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ই-গভর্নন্স সোসাইটি (দি ই জি এস) বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা ঐচ বোবি শর্মা, এম সী এস, সী ই ও/জেদ পি বিষ্ণুপুর অমসুং টি শান্তিকুমার দি আই ও এন আই সী/মেম্বর সেক্রেটরি দি ই জি এস বিষ্ণুপুরনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (দি আই টি) বিষ্ণুপুরগী দিষ্ট্রিক্ট মেনেজর প্রসান্তা ওইনামনা ফোঙদোকখিবদা, দিজিটেলগী অহোংবা পুরক্নবা সোসাইটিগী রেস্পোন্সিবিলিটি অমদি প্রোফেস্নেল ইথিক্স ঙাক্নব-গীদমক মনুং হঞ্জিন্না খঙনবা ঙসিগী ওন্ত্রপ্রেনরশিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখিবনি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা ওন্ত্রপ্রেনরশিং অসিবু প্রোমোট তৌনবা অথুবা মতমদা হোৎনরগনি অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা কম্মন সর্ভিস সেন্টরশিং অসি হেন্না ফগাৎহন্নবা দি আই টিনা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): সনা কোনুং উত্রা শংলেনগী শংলাকপা নাওরেমথোং তাকয়েল খোঙবালদগী লৌরেম্বম অজিৎনা থা অসিগী ২৩ দা তাইবং শিন্থা লোইদুনা মপুগী নাক্তা নোংগাখিবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না উত্রা শংলেন সনা কোনুংগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লৈখিদ্রবা লৌরেম্বম অজিৎ য়োইরেল হঞ্জবা ওইদুনা সনা কোনুংগী থৌ পাংলমখি। মসিগী মথক্তা চৈথারোল কুম্বাবা ইবগী থৌসু পুরম্মী হায়রি। মতম কুইনা সনা কোনুংগী থৌরম কয়া য়াওদুনা সনা কোনুংগী মশিলশিংবু ঙাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখি হায়রি।

## রাজর্ষি ভগ্যাচন্দ্রনা আর্ট এন্দ কলচর...

*লামায় ১গী মখা...* কৃষ্ণগী মীতম শাখি। কুমজা ১৭৭৬তা মহাক্না গোবিন্দজি টেম্পল লিংখৎখিবগা লোয়ননা রাধা কৃষ্ণগী মীতম পুশিন্দুনা ইরাৎ থৌনি তৌবা হৌখি।

শক্লোন য়াম্বা নিংথৌ অসিগী মরমদা তোঙান-তোঙানবা লাইরিক কয়া ইদুনা ফোঙলম্মী। ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসিদা চেপ্টর ১২ য়াওবগা লোয়ননা ভগ্যচন্দ্র নিংথৌগী মরমদা মরু ওইবা ৱাফম কয়ামরুম য়াওরি।

লাইরিক ফোঙবগী মাংওইননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর এম সি অরুননা হৌদোক ৱারোল পীখিবগা লোয়ননা লাইরিক্তা য়াওরিবা ৱারোলশিং মরিক চুম্না ফোঙদোকখি। লাইরিক অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. অহৈবম কোইরেং, ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ট্রাইবেল য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱার্ককী হেদ ডা. ঐচ সুখদেব শর্ম্মা অমদি ইন্দিয়া ফাউন্দেসন ন্যু দিল্লিগী রামি নিরঞ্জন দেসাইনা কমপ্লাইল অমসুং এদিট তৌবনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিবম এসেম্ব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হায়খি, ভগ্যাচন্দ্র নিংথৌনা আর্ট এন্দ কলচর অমসুং রাস লীলা চাওখৎহন্ননবা হোৎনরম্মী। ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসিদা কন্ত্রিব্যুসন পীরকখিবা মীওইশিংদা লাইরিক অমমম খুদোল তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

# পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা...

*লামায় ১গী মখা...* লোং লিভ মণিপুর হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদসু ইন্দো-নাগা পিছ টোককী মতাংদা চেকশিন মীফমশিং ফম্নখি।

ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই এম) গী পিছ তোক চত্থবদা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়দুনা ঙসিসু কোকোমিগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চেকশিন মীফম ফম্বগা লোয়ননা লম্বী-লঞ্জাওদা মীয়াম্না হ্যুমেন চেন শেমদুনা প্রোতেষ্ট চত্থখ্রে।

লমলোং কৈথেলগী নুপীশিংনা নোংমগী শিন্থা লেপ্তুনা ঙসি লমলোং কৈথেলদা চেকশিন মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা শ্লোগান কয়াসু লাউখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা লমলোং কৈথেলগী সেক্রেটরি আর কে ধনপতিনা ফোঙদোরকপদা, ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই এম) না চহী ২২ হেন্না পিছ তোক চত্থরবা মতুংদা ওক্টোবরগী ৩১দা ৱারোইশিন অমা পুরক্কনি হায়বসি নুংঙাইবা পোকই। অদুবু ৱারোইশিন পুরকপা অদুদা মণিপুরগী অপুনা শক্তম মচেৎ তাবা অমদি শোকহনবা য়ারোই। করিগুম্বা শোকপা থোক্লবদি ঙসি চেকশিন মীফম ফল্লিবা অসিখক্তা উবীগনু মণিপুরদা লৈরিবা নুপী খুদিংমক হৌরক্কনি। হৌজিক চীরবা মতম অসিদা পোলিটিকেলগী ওইবা হন্দোক-হঞ্জিন তৌবীগনু। মণিপুর কনবা ঙম্লোইদবা ওইরগদি চিফ মিনিষ্টরদগী হৌরগা এম এল এ ৬০মক ফম থাদোকপীরো। ঐখোয় মীয়াম্না পূন্না থেংনজরগে হায়খি।

মতুংদা চেকশিন মীফম ফল্লম্বা মীয়াম অদু হৌগৎলক্তুনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, এম এল এশিং দিল্লিদা চৎতুনা ৱারোইশিন পুরকউ, ৱাকায় পুরক্কনু অমদি লোং লিফ মণিপুর হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

অমরোমদা শিংজমৈ চীংঙামথকতা চীংঙামথক য়ংলর্নর ক্লবনা শিন্দুনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই এম) গী মরক্তা পিছ তোক চত্থবদা মণিপুরগী অপুনা শক্তম কায়হল্লকপা য়ারোই হায়বাগী মতাংদা চেকশিন মীফম অমা ফমখ্রে।

মীফম অদুদা প্লে কার্দতা ইখিবা ৱারোলশিংদি, মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, ইন্দিয়ানা কাংলুপ নাইবা থৌশিল তৌবা য়ারোই, মরিপুরগী এম এল এশিং দিল্লিদা চৎলু, এম এল এ ৬০ নরোল চুম্মু, ফিরেপ লেপ্পু, ইন্দিয়ানা মণিপুর থুগায়গনু অমদি ৱারোইশন পুরকউ- ৱাকায় পুরক্কনু হায়বনচিংবা ইখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা, চহি লিশাং শিৎনা মনিং তম্না অমদি নিংথৌ পান্দুনা লৈরম্বা মণিপুরবু ইন্দিয়া লৈঙাক্না নমদুনা লৌশিনখ্রবা মতুংদা নৌনা অমুক মণিপুরগী অপুনা শক্তম কায়নবা শিনবা য়ারোই হায়খি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পুংদোংবম এরিয়াদসু এন এস সী এন (আই এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী পিছ তোক চত্থবা মতমদা মণিপুরগী অপুনা শক্তম কায়হন্নবা শিনবা য়ারোই হায়বা চেকশিন মীফম পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা প্লে কার্দতা ইখিবা ৱারোলশিংদি, ইন্দিয়াগী কাংলুপ নাইবা থৌশিল য়াবা ঙম্লোই, ৱারোই অমগীদমক অতোপ্পা অমগী ৱাথোক ওইহনগনু, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বনচিংবা ইখি।

মরকসিদা জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরিগী মহৈরোয়শিংনসু ঙসি কোকোমীগী লমজিং মখাদা জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদগীনা ইরাবতকী ষ্টেচু ফাওবা লম্বীগী নাকন্দা হ্যুমেন চেন শেমদুনা লেপ্লগা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, লোং লিভ মণিপুর হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

অমরোমদা, কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা সনা কৈথেল মৈরা পায়বী অমদি লৈকায় মীয়াম্না ঙসি চেকশিন মীফম অমা লম্ফেল সনা কৈথেলদা ফমখ্রে।

মীফম অদুদা খ্বাই লম্ফেল য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে থরাকসনানা হায়খি, এন এস সী এন-আই এমগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা ৱারী শানবগী ৱারোইশিন থা অসিগী ৩১ দা পুরক্লগনি হায়বা ৱাফম লাক্লি। মণিপুর শোকপা য়াবা ৱাফম য়াওরক্লবদি তুমীন্না লৈরোই। কোকোমিগী মখাদা অচেৎপা ফিরেপ লৌনবা ৱাকৎ মীফম ফম্বনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মনুংদা করি য়াওরিবগে হায়বসি ঙসি ফাওবা খঙহনবা লৈত্রি। মণিপুর শোকহল্লোই হায়বসু খঙহনবা লৈতবনা অরোনবা লাল্লোং অমা চত্থরি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না দিভাইদ এন্দ রুল শান্নদুনা মণিপুরদনা অমা ঙাংবা, নাগালেন্দনা অমা ঙাংবা তোকপীয়ু। মণিপুর শোকপা য়ারোই হায়বসি থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা খঙহনগদবনি। নাগাগী ৱারোইশিনদা মণিপুর কায়নবা থৌশিল য়াওরকপা তারবদি তুমীন্না লৈরোই। মসিদা থোরকপশিং থেংননবা মীফম অসি পাঙথোক্লিবনি। মণিপুর শোকপা য়ারোই হায়বসি অচেৎপা ফিরেপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## এন এস সী এন-আই এমগী কাদর...

*লামায় ১গী মখা...* অদুম্মকপু এন এস সী এন-আই এমগী মায়কৈদগীদি লূপ অসিগী কাদরশিং হেব্রোন কেম্প থাদোক্তুনা চৎখিবা লৈতে। কেম্প অসিদা হান্নদগী লৈরকপা কাদরশিং লেংদনা লৈরি হায়রি।

অমরোমদা, নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবগী মতাংদা সেন্টরনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলিঙৈগী চৈরক্তা এন এস সি এন-আই এমগী কিলোন্সর (মিনিষ্টর) হুকাভি য়েপটোমিনা মশাগী অপান্বা মতুং ইন্না ৱার্কিং কম্মিতি ওফ নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি)দা য়াওখ্রে।

হৌজিক ওইরিবা নাগাগী ফিভম অমসুং মীয়ামগী অপান্বা মতুং ইন্না এন এস সি এন-আই এমগী মরু ওইবা লুচিংবা অসি এন এন পি জিদা য়াওনবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।

চহী ১০ হেন্না এন এস সি এন-আই এমগী মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্বা হুকাভি য়েপটোমিনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিগী মতাংদা লুপ অসিনা এজেন্সিদা হায়খি, মতম শাংনা কিলোন্সর অমা ওইনা লৈরম্বা য়েপটোমিনা এন এন পি জিদা য়াওখিবগী থৌওং অসিনা এন এস সি এন-আই এম অমসুং নাগা পিছ টোকতা অকায়বা অমত্তা লৈরোই। সেন্টর অমদি এন এস সি এন-আই এমনা ঙরাং অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবগী মতাংদা হৌনবী মতুং ইন্না ৱারি শান্নখ্রবা মতুংদা হুকাবি য়েপটোমিগী ফিরেপ অসি লৌরকখিবনি।

## নুপী নোংমৈনা কাপ্লুবা ওফিসর কোর্টনা...

*লামায় ১গী মখা...* লেবররশিং অদুগী মরক্তগী নাওরেমথোং শমুশঙদগী হিজম কবিতা (৩০), অপোকপা ঐচ নিরেননা সিটি পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট তৌরকপদগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর- ৯০ (১০) ২০১৯ নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩২৬/৩৫৪/৩০৭ অমসুং আর্মস এক্টকী সেক্সন- ২৭ কী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি। কেস অসিগা মরী লৈননা মহাক নুমীৎতুমক্তদা পুলিসনা ফারগা মথংগী নুমীৎ থা অসিগী ২২দা কোর্ট অসিদা পুথোরক্লগা ঙসি ফাওবা নুমীৎ ৪ নিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌদুনা থম্লকখিবনি। অদুগা মহাক্কী পিষ্টোল (নম্বর- ৪৬০১৮৩৬), নোংমৈসিগী লাইসেন্স নম্বর- এল এন- ২২৭৩৬ এ ৭এ ১৫এ ১৮, কাপথোকখ্রবা নোংমৈ মরূ অমগী প্রোজেক্টাইল ১, নোংমৈসিগী ৭.৬২ এম এমগী লাইভ রাউন্দ ৫সু ফাগৎখিবনি।

অদুবু ঙসি পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোয়রদুনা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা কোর্টসিদা পুথোরকখিবদা মহাক্কী মায়কৈদগী বেল পীবীনবা হায়জরকখিবনি। কোর্টনা প্রেয়র অনীমক খন্নরবা মতুংদা মহাকপু লুপা লাখ ১গী পর্সনেল রিলিজ (পি আর) বোন্দ, গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয় অমা য়াওনা স্যুরিটি অনীগী বেল বোন্দশিং ফর্নিশ তৌহল্লগা বেলদা থাদোকখিবনি।

## মীরা লম্বা রিলিজ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): এস এস আই প্রদক্সনগী অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম 'মীরা লম্বা' (লাইরমলেন্দা তিন্দবা থৱাই) হৌনবী মতুং ইন্না ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী অথোকপম মখা হৈক্রেংমখোঙ লম্পাক্তা মায় পাক্না রিলিজ তৌখ্রে।

অঙোমচা সোইবমনা দিরেক্সন অমদি সোমেন্দ্রো ৱাইখোমনা প্রদ্যুসর ওইরগা পুথোকখিবা ফিল্ম অসি রিলিজ তৌবগী থৌরমদা খঙাবোক এ সীগী এম এল এ, ও সুর্জকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, স্পেসল কন্ট্রেক্তর য়ুম্নাম থৌবানা থৌরম মপু, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৭গী ৱার্দ মেম্বর এ কুঞ্জো অমদি ও বিসমভোর, ৱার্দ নম্বর ৬কী ৱার্দ মেম্বর এল নন্দো অমদি ৱাই সঞ্জিৎকুমার অমসুং সোসল ৱার্কর এল জোইচান্দনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। পহারি কোন্সমনা ইবা ফিল্ম অসিদা অমর, মেমনাওবী, জেপেলিনা, ধনামঞ্জুরি, অমুবা, অশোকনচিংবা শক্লাইরবা কয়ানা ফিল্ম অসিগী মপুং ওইবা শক্লোনশিং লৌরি।

## য়ু জি কাদর অমা ফোর্মেল এরেষ্ট...

*লামায় ১গী মখা...* মীওই অসিবু কম্যান্দোশিংনা শিন্নরকপদগী ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনন‌া মহাক্কী মথক্তা কেস এফ আই আর নম্বর- ২১৬ (১০) ২০১৯ অন্দর সেক্সন- ২০ য়ু এ (পি) এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। লোয়ননা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লগা ঙসি ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌদুনা থম্লকখিবনি।

অদুবু ঙসি মহাক্কী পুলিস কষ্টদিগী মতম লোয়বদগী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা কোর্টসিদা পুথোরকখিবদা চছাদ পুলিস ষ্টেসনন‌া রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা কোর্টকী অয়াবা লৌরগা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখিবনি।

চছাদ পুলিস ষ্টেসনন‌া রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বরনা ১(১০)২০১২ অন্দর সেক্সন- ১২১/ ১২১-এ/ ৩৯৬/ ৩৯৭/ ৩০২/ ৩০৭/ ৩২৬/ ৩৪ আই পি সী, ১৬ (১)(এ) য়ু এ (পি) এক্ট অমসুং ২৫ (১-বি) আর্মস এক্টনি।

কেস অসি কুমজা ২০১২গী ওক্টোবরদা চছাদ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লৈশম অমসুং কোঙ্খামগী মফম অমদা ১৭শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফতা এম্বুশ তৌখিবা থৌদোক্কী মতাংদনি হায়রি। থৌদোকসিদসু মহাক চেন্নরম্বদগী ঙসি ফোর্মেল এরেষ্ট তৌবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মীওই অসি কুমজা ২০০৭কী দিসেম্বরদা অতোপ্পা য়ু জি গ্রুপ অমগী মেম্বর ওইরিঙৈদা ৭শুবা এ আরনা মীওই ২গা কোন্ননা বোরায়াংবীদগী ফারগা জেলদা লৈরুরে। বেলদা থাদোরক্লগা অতোপ্পা য়ু জি গ্রুপ অমদা অমুক য়াওরকপনি হায়রি।

# মোব জষ্টিস তৌরুবা মীওই ১৩ দা লুপা ৪,৬৭,০০০ পীনবা খঙহনখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* শেনফম অসি পীগদবনি হায়রিবা মীওইশিংনা লৌরেম্বম কুমার এলিয়স জয়কুমার (৩১), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল খোমৈ, কান্তো মখা লৈকায় অমসুং মহাক্কী লোয়নবী লৌরেম্বম ওংবী বিনা (২৭), লৌরেম্বম ওংবী রিনা এলিয়স ননাও (২৭), মপুরোইবা এল সঞ্জয়, কান্তো মখা লৈকায়, য়ুম্লেম্বম সোরোজিনি (৫২), মপুরোইবা ৱাই নবকিশ্বর, কান্তো শান্তিপুর (খুরখুল গ্রাম পঞ্চায়টকী মেম্বর), ঙাংবম অকে (৪১), মপুরোইবা এন জি থরোজাও, কান্তো ময়াই লৈকায় (সেক্রেটরি, কান্তো ময়াই লৈকায় মৈরা পায়বী এসোসিএসন), লৌরেম্বম ওংবী বুজারি (৪০), মপুরোইবা এল কুমার, কান্তো মখা ময়াই লৈকায় (কান্তো ময়াই লৈকায় মৈরা পায়বী এসোসিএসনগী মেম্বর), উশম লৈবাকলোৎপী (৪২), মপুরোইবা য়ু ইবোহল, কান্তো ময়াই লৈকায়, লৌরেম্বম কুমার (৫৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল থম্বাল, কান্তো ময়াই লৈকায়, ঙাংবম শমদেম (৭০), অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি রোমেন, কান্তো অৱাং মনিং লৈকায়, লৌরেম্বম জানেশ্বর (৬০), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল থম্বাল, কান্তো শান্তিপুর, লৌরেম্বম মনাও, অপোকপা এল থম্বাল, কান্তো শান্তিপুর, ঙাংবম মঙ্গি (৫২), অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি বিরচন্দ্র, কান্তো মখা লৈকায় অমসুং ঙাংবম বাবুচান্দ (৪৮), অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি বিরচন্দ্র, কান্তো মখা মনিং লৈকায়নি হায়রি।

থৌদোক থোকখিবা নুমীৎ অদুদা কেস অসিগী প্লেনটিফ ওইরিবা ঙাংবম তোলপিশকনা কান্তো খুলগী ইন্টর ভিলেজ রোদ অমদা থাবল চোংবা চৎলিঙৈদা লৌরেম্বম কুমার এলিয়স জয়কুমারনা মহাক্কী লাইবক্তা চৈ অমনা থোমদুনা ফূবা হৌরক্লগা মখা তানা ফূ-চৈখিবনি। অদুগা নুমীদাং অদুদা কুমার এলিয়স জয়কুমারনা হুরানবা অমা ফারে, রেপিষ্ট অমা ফারে হায়দুনা কোইরাও লাউখিবনি হায়রি। তাঞ্জা অদুদা প্লেনটিফ ওইরিবা ঙাংবম তোলপিশককী ময়াম্বা মোতিসু থাবল চোংফমদা লাকপদগী থৌদোক অদু হকথেংননা থেংনহৌখি হায়রি। ময়াম্বা অসিনা মনাওনুপাদা ফূরিবা অদু খামদোক্লবা চঙশিল্লুবদা লৌরেম্বম কুমার এলিয়স জয়কুমারনা খৎনবা খামদোরক্লবদি হাৎকনি হায়দুনা কিহল্লকখি হায়রি।

ফীভম অদুদা তোলপিশক্কী ময়াম্বা মোতিনা ঙাংবম মঙ্গি অমসুং ঙাংবম বাবুচান্দগী য়ুমদা চৎতুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউ পীখি। অদুবু লৌরেম্বম কুমার এলিয়স জয়কুমারনা মহাক্কী লোয়নবী লৌরেম্বম বিনা য়াওনা মীওই খরনা মনাওনুপাবু ঙাংবম বাবুচান্দগী শুমাংদা পুরল্লগা মহাক্না লৌরেম্বম ওংবী রিনাগী য়ুমদা চঙলক্তুনা মহাক্কী নুপী ওইবীগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহন্নবা হোৎনরম্মী হায়দুনা চার্জ তৌরকখি হায়রি।

থৌদোক অদুগী পাউ তাবদগী লৈকায়গী মীয়াম চঙশিন্নরকখিবগা লোয়ননা তোলপিশকপু ফূখিবা কুমার এলিয়স জয়কুমারনা মহাকপু মৈরা পায়বীশিংদা খুৎশিন্নখি। লোয়ননা নুমীদাং অদুদা তোলপিশকপু মহাক্কী য়ুমদা ছো লোনশিন্দুনা থমখি হায়রি।

মথংগী নুমীৎ মার্চ ১, ২০০৫ গী অয়ুক পুং ৭ লোম তারকপদা তোলপিশকপু খুরখুল গ্রাম পঞ্চায়ট, মৈরা পায়বী এসোসিএসন অমসুং কান্তো য়ুথ ক্লবকী মীওইশিংদা শীন্নরগা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খুলদগী তান্থোক্লে হায়না ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা মঙোন্দা কনা অমত্তনা চঙজফম পীবা য়ারোই হায়দুনা খঙহনখি। লোয়ননা নুমীৎ অদুগী অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদা তোলপিশক্কী উনা শারগা জিঙ্ঘনা কুপ্পা য়ুম থুগায়দুনা অমাঙ-অতা থোকহনখি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতুংদা লৌরেম্বম কুমার এলিয়স জয়কুমারনা মহাক্কী লোয়নবী বিনাগা লোয়ননা সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্দা চৎলগা তোলপিশক্না লৌরেম্বম ওংবী রিনাগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীরম্লে হায়দুনা লান্না কমপ্লেন্ট তৌশিনখি। রিপোর্ট অসিদগী সেকমাই পুলিস ষ্টেসনন‌া কেস এফ আই আর নম্বর- ৯(৩)২০০৫ অন্দর সেক্সন ৩৭৬/৪৫৭ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অসিগা মরী লৈননা ঙাংবম তোলপিশক ফারগা মার্চ ২, ২০০৫ দা জুদিসল মজিষ্ট্রেট ফষ্ট ক্লাস, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লুবা মতুংদা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি। নুমীৎ অসিদগী কুমজা ২০০৭ গী মেগী অরোইবা চয়োল ফাওবা তোলপিশক জেলদা লৈখি। অদুবু সেকমাই পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অসিগী চার্জশীট থাগৎলক্লুবা মতুংদা এদিসনল সেসন্স জজ, মণিপুর ইষ্ট (ফষ্ট ট্রেক কোর্ট) তা ৱায়েল চত্থরবা মতুংদদি কোর্টনা ঙাংবম তোলপিশকপু কুমজা ২০০৭ গী ওগষ্ট ৩১ দা কেস অসিদগী মরাল লৈত্রে হায়দুনা একুট তৌখি।

কোর্টকী জজমেন্ট অসি ফংলবা মতুংদা তোলপিশক্না সিভিল জজ (সিনিয়র দিভিজন), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা মহাকপু রেপিষ্টনি হায়দুনা মরাল শীজিল্লগা মহাক্কী ময়ুম-মকৈ অমাঙ-অমা থোকহনখিবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা দেমেজ স্যুট অসি ফাইল তৌরকখিবনি। কোর্ট অসিনা কেস অসিগী অরোইবা হিয়রিং কুমজা ২০১৮ গী দিসেম্বর ২০ দা পাঙথোক্লবা মতুংদা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদু ঙসি লাউথোকখিবনি। কেস অসিগী ৱায়েলদা প্লেনটিফ ঙাংবম তোলপিশক্কী মায়কৈদা এদভোকেট এল পদ্মনভা শর্ম্মনা লেপখি।

ঙসি কোর্টনা পীখিবা জজমেন্টদা মীওই ১৩ অসিগী মায়কৈদগী কম্পেন্সেটরি দেমেজ, এগ্রেভেটেদ দেমেজগী ওইনা লুপা ১,৬৭,০০০ পীবগা লোয়ননা পিয়্যুনিটিভ নৎত্রগা এগজেমপ্লরি দেমেজগীদমক লুপা লাখ ৩ গী শেনফমগা কোন্ননা পুন্না লুপা ৪,৬৭,০০০ পীগদবনি হায়না ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবনি। হায়রিবা শেনফম অসি প্লেনটিফ ওইরিবা ঙাংবম তোলপিশক্তা পীবা মতমদা মথংশিংনা চাদা ৬ অমসুং ১০ গী ইন্টরেষ্টকী শেনফমসু য়াওনা পীগদবনি হায়নসু কোর্টনা খঙহনখি।